# মশা অমদি মরূম চানবা য়েনশিংদা এন্টিবাইওটিক পীজবগী মহয়

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী

*ইশানা* য়েন অমদি মরূম চাবা য়াম্না পাম্বীরগদি মসিগী মরমদা খঙবা য়াম্না মথৌ তাই। চানবা চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবা অমদি তীলহাৎ হীদাক ময়াম অমা শীজিন্নবসি অনৌবদি নত্তে। য়েন্দা এন্টিবাইওটিক পীজবনা কান্নবা কয়া অমা, কান্নদবা কয়া অমা লৈ। পাক্তননা মফম মরাং খঙদনা য়েন লোয়বিরিবা কাঙবুনা এন্টিবাইওটিকশিংসি শীজিন্নরি। মসিনা য়েনশিংদা রেজিষ্ট তৌবা ঙমদবদগী য়াম্না লায়না লায়না (দিজজ) কয়া অমা থোকহনবা ঙমহল্লি।

য়েনশিং মরু ওইনা ব্রোইলরশিংদদি য়েনবুশিংনা হেক লোয়বা হৌবদগী এন্টিবাইওটিকশিং পীজবা হৌরে। মসিনা মচিঞ্জাক কা হেন্না পীজদনা থুনা চাউহনবা অমদি নোয়বা ঙমহল্লি অমদি মার্কেটতা য়াম্না থুনা থাদোকপা ঙমহল্লি। লমদমসিদদি এন্টিবাইওটিকশিং শীজিন্নবগী অথিংবা লৈতবনিনা শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নদুনা য়েনশিংনা চাখ্রিবা/কাপখ্রিবা এন্টিবাইওটিকশিং অদু মীওইবদা হায়রিবা য়েনশিং অমদি য়েরূমশিং চাবদগী এন্টিবাইওটিকশিং অমুক ট্রান্সফর তৌরকই।

অমরোমদনা এন্টিবাইওটিক য়োনবা মতমদা চৎন-কাঙলোন লৈতবনিনা য়োন্নীংবা মওংদা অদুমক য়োলহল্লি। মসিনা য়েনবুশিংনা লৈবা মতমদসু অথিংবা লৈতবনিনা পীজবা ঙম্বমখৈ পীজনরি।

এন্টিবাইওটিকশিংসি য়েন্দা নারকপা মতম নৎত্রগা মশা নোয়নবা পীজনরি। মসি য়েন্না নাদ্রবা ফাওবা অদুম পীজৈ। হায়বদি নাবগী লায়ওং উৎত্রবা ফাওবা অদুম পীজরি। য়েন্দা এন্টিবাইওটিক মতম শাংনা পীজবীরগদি হীদাক অসিনা হাৎপা ঙম্বা মহীকশিং (বেক্টেরিয়াশিং) হায়রিবা এন্টিবাইওটিকসিনা হাৎপা ঙম্লরোই। য়েনগী মশাদা অসুম য়াওদুনা লৈরগনি অমদি মসিনা মীওইবগা য়েনসিগা য়েংনবদা নৎত্রগা ফুদ এনভাইরোনমেন্টকী মতেংনা মীওইবদা চঙলকই। অসুম্না শাথিরবা লায়না কয়া থোকহনল্লিবা বেক্টেরিয়াশিংসি মতম শাংনা এন্টিবাইওটিক পীজরগদি মহীকশিংসি হাৎপা ঙমদ্রবনিনা মীওইবদা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

য়েন মচিঞ্জাকশিং শেল্লিবা কম্পনিশিংনা মচিঞ্জাক্তা এন্টিবাইওটিকশিং হাপ্তুনা মচিঞ্জাক শেল্লগা য়োল্লি। অসিগুম্বা মচিঞ্জাকশিংসি কান্নবা অমদি কান্নদবা ময়াম অমসু লৈরি।

*মচিঞ্জাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগী কান্নবশিং :-*

য়েন্দা এন্টিবাইওটিক য়াওবা মচিঞ্জাক পীজরগদি চাউবগী চাং হেনগৎহল্লি, ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহল্লি, লায়না কয়া অমা ঙাকথোকপা ঙমহল্লি অমদি লায়না থোক্লক্লগসু লায়েংবা ঙমহল্লি। খ্বাইদগী মরুওইনা মচিঞ্জাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগা য়েন্না চাখ্রিবা মচিঞ্জাক্তু হেন্না মশা থুনা চাওহনবা ঙম্বা অমদি এনিমেল প্রদক্টতা ওনবা ঙমহল্লি।





হঙ্গৎনা য়েংবদা য়েনগী মচিঞ্জাক্তা খুদম ওইনা হায়রবদা টেট্রাসাইক্লিন অমদি পেনিসিলিন য়াওরগদি হেন্না মরূম কোকপা হেনগৎহল্লি। মচিঞ্জাক হেন্না চাবা ঙমহল্লি। মরূমদগী মচা ওনবগী চাং হেনগৎহল্লি । অদুবু য়েনদা লায়না লাক্তুনা শিবগী চাংদি হন্থবা ঙমদে। ক্লোরটেট্রাসাইক্লিন, ওক্সিটেট্রাসাইক্লিন অমদি পেনিসিলিন মচিঞ্জাক্তা য়াওরগদি হেন্না মপূং ফানা শারেপ তানবা ঙমহল্লি। অদুবু শিবগী চাংদি কা হেন্না হন্থবা ঙমহন্দে। এন্টিবাইওটিকশিংসি মচিঞ্জাক্তা হাপ্তুনা পীজবনা হেন্না চাবা ঙমহনবা, মপূং মরৈ ফাবা ঙমহল্লি অদুবু চপ চাবা লায়না মখলশিংদি ঙাকথোকপা ঙমহন্দে।

*মচিঞ্জাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগী খুদোংথিনীংঙাই ওইবশিং :*

মতম চুপ্পগী ওইনা য়েনগী মচিঞ্জাক্তা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগা পীজবা তারগদি য়েনশিংগী মশাদা এন্টিবাইওটিক্তা থিংবা ঙমদবা বেক্টেরিয়া ময়াম অমা লৈরগনি। হায়রিবা মহীকশিংসি য়েন মশাদা য়াওদুনা অতোপ্পা শাশিংদা শন্দোক্তুনা মশীং য়াম্বা অমা ওইদুনা এন্টিবাইওটিক্লা থিংবা ঙমদবা বেক্টেরিয়া অমা ওইহল্লি। হায়রিবা বেক্টেরিয়াশিংসি থিরিন অমদি হকচাংগী তোংশাদা লৈ। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না হাল্লকপা মথিদসু হীদাক্লা থিংবা ঙমদ্রবা বেক্টেরিয়া ময়াম অমা য়াওরকই। হায়রিবা বেক্টেরিয়াশিংসি অমুক মীওইবদা মখল কয়াগী মওংদা লায়না শন্দোরকই।

য়েনবুশিংনা য়েনগোন শেংবা মতমদা য়েনথিশিং থেংবা/পায়বদা মহীক য়াওবা মথিশিংদু য়েনবুদা চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা চাউনা লৈ। মসিদসু নত্তনা য়েনগোন শেংবা লোইরবা মতুং হকচাং মনুংদা মহীকশিং চঙদনবা নীংথিনা খোঙ, খূৎ-শা হামদোক্তুগদি মহীক চঙবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। য়েনবুশিংনসু য়েনগোন্দা য়েনশিংগা শম্নবদা নৎত্রগা মকোন শেংদোকপদা নিংথিনা খূৎ শা অমদি হকচাং শেংদোকপীদ্রগদি চাবা থকপা মতমদা মহীকশিংদু চাশিনখিদুনা লায়না লায়ওং কয়া অমা থোকহল্লকই।

অমরোমদসু য়েনশা কক্তুনা য়োল্লিবা কাঙবুশিংসু হায়রিবা মহীকশিংসি মশাদা চঙবগী চাং ৱাংনা লৈ। মহীক চেল্লবা য়েনশিংসি মীওইবনা চাবা তারগসু নীংথিনা থোংলগদি মহীক কয়া অমা শিবা ঙম্মী। অদুবু মহীক খরদি থোংবগী টেম্পরেচরদুদা হিংবা ঙম্বা মখল য়াওবনিনা মশাদা অদুম লৈদুনা লায়না কয়া অমা থোকহল্লি। মহীক্লা নাহল্লবা মীওইশিংসু ডাক্তরনা পীরিবা এন্টিবাইওটিকশিংদগী রেজিষ্টটেন্ট ওইদুনা এন্টিবাইওটিক কয়া শীজিন্নরগসু ফবা ঙমহন্দে। লায়না কয়া শন্দোরকই অমদি মনাক নকপদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি হোস্পিটালদা লৈরিবা মীওইশিংদা অমুক শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

য়েনগী মচিঞ্জাক্তা চাং নাইনা এন্টিবাইওটিক হাপ্তুনা পীজরগদি মখোয়দগী পুথোরক্লিবা য়েরূম অমদি মীটতা এন্টিবাইওটিক্কী অরেম্বা ময়াম অমা য়াওবদা নত্তনা মহীক ময়াম অমসু হায়রিবা হীদাকসিনা হাৎপা ঙমদবদগী মীওইবদা অমদি অতোপ্পা শাশিংদা শন্দারকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ। নারক্লবা কান্দদা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। এন্টিবাইওটিক অরেম্বা ময়াম অমা য়েরূম অমদি মীটতা য়াওরিবসি ঐখোয় মীওইবনা অমুক চাশিনখ্রগদি এন্টিবাইওটিক্লা হাৎপা ঙমদবা মহীক ময়াম অমা মীওইবদা চুংশিন্দুনা লৈরগদি লায়না লায়ওং কয়া অমা থোরক্তুনা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

মরমসিনা নাদ্রিবা য়েন্দা এন্টিবাইওটিক হাপ্লগা পীজবসি তোক্লসি অমদি নারবা মতমদা এন্টিবাইওটিক থাদুনা লায়েংলবা তুংদা হীদাক্তুনা মশাদগী লোয়না চৎখ্রবা মতমদা মশা চানবা ওইনা য়োনবীবনা খুন্নাইসিগী অফবা অমা ওইগনি।

# লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী তঙাইফদবশিং

ডা. ৱাইখোম জিতেন

*লৈবাক* হায়বসি হৌরিবা পোৎলমশিংবু মচিঞ্জাক পীরিবা অহিংবা পোৎশক অমনি। **SOIL - Soul of Infinite Lives.** তশেংনা লৈবাক হায়বসি মশীং থিঙমদনা লৈরিবা অহিংবা জিবশিংগী থৱায়নি। করম করম্বা মখলগী পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ৱাৎলি/হেল্লি হায়বদু খঙদোক্লবা, অশিন অয়াক্কী চাং খঙদোক্তুনা করম্বা পাম্বীনা হৌবদা হেন্না খুদোংচাগনি অমদি করম তৌনা পাম্বীশিংনা হৌবা নুংঙাইগদবা মওংদা ওন্থোকপীগনি হায়বনচিংবসি খঙদোক্লবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপা তঙাইফদে।

লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপগী তঙাইফদবা মরম ময়াম অমা লৈ। মরমশিং অদুদি পোত্থোক-চাথোক হেনগৎহনবা, অহেনবা খূৎশেমগী হারনা লৈবাক্তা চুমথখিদুনা নৎত্রগা ঈশিংগী ঈচেলদা য়াওখিদুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংদা মোৎশিলহন্দনবা, করম করম্বা মখলগী পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ৱাৎপা/হেনবা খঙদোক্লবা, মথৌ তাবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংখক্তমক পীদুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী খল কায়দনা, লৈবাক লৈহাও লৈহনবা, মথৌ তাবা হারখক্তমক চাইদুনা লৌমীগী অহেনবা চাদিং কনবনচিংবনি।

লৌউ-শিংউগী মীৎয়েংদগী য়েংলবদি মগুন লৈবা লৈবাক হায়বসি ঐখোয়না মথৌ তাবা অহেনবা পোৎথোক চাথোক পুথোকপগা লোয়ননা মশাগী মহৌশাগী ওইবা ফীভম অদুসু কায়হন্দনা থম্বা ঙম্বা অদুবুনি। লৈবাক লৈহাওগী অশি-অয়াক খঙদোকপা লোয়ননা মদুদা য়াওরিবা তোঙান-তোঙানবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং খঙদোকপা হায়বসি পাম্বীশিংবু মচিঞ্জাক পীনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙবা ইহান হানবা খোঙথাংনি। কা হেন্না অশিনবা লৌফমদা **Molybdenum** ৱাৎপা অদুগা **Fe** অমসুং **Mg** বুনা পাম্বী ফাওবা শোকপা য়াবগী চাং য়ৌনা হেনবা থেংনগনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিনা কা হেন্না শিনবা/য়াকপা ওইরবদি মহৌশানা লৈবাক্তা য়াওজদুনা লৈবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং নৎত্রগা ঐখোয়না পাম্বীশিং অদুগীদমক হাপচিল্লিবা হারশিং অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং পাম্বীনা শীজিন্নবা ঙমদনা মাঙই। ঐগী লৈবাক অসিনা ঐগী বেঙ্ক একাউন্ট নম্বরনি হায়না খনবা মতমদা চাংয়েং তৌবগী রিজল্ট অসিনা বেঙ্ক ষ্টেটমেন্টনি। ঐখোয়না বেঙ্কতা পৈশা হাপচিনবা য়াওদনা, পৈশা লৌথোকপা য়াদবগুম লৈবাক্তা মতম মতমগী ওইনা পাম্বীগী মথৌ তাবা মচাকশিং হাপচিনবা তঙাইফদে। ঐখোয়না লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবা মতমদা ওর্গানিক মেট্টর (পাম্বীশিংগী/শা-ষণগী মথি-ময়ুংনা পথ-পুমথরগা ওইবা লৈবাক্কী শরুক) হায়বসি তঙাইফদনা য়েংদবা য়াদবা মচাক অমা ওই। মরমদি মসিনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক কয়াগী হৌরকফম ওইবগা লোয়ননা লৈবাক্তা ঈশিং অমদি পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বতা নত্তনা লৈবাক মনুংদা লৈবা পাম্বীদা কান্নবা পীবা অহিংবা জিবশিংবু হিংহন্দুনা লৈবগা লোয়ননা মখোয়গী মশীং য়ামখৎহল্লি অমসুং লৈবাক অদু লিশাংশিৎনা পোত্থোক চাথোক লৈবা অহিংবা লৈবাক ওইহল্লি।

ইন্দিয়াদা গ্রীন রিভোল্যুসন লাকখ্রবা মতুংদা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাংদি য়াম্না হেনগৎখ্রে। অদুবু মওং মরীল তাদনা শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী পোত্থোক-চাথোক হৌখিবা চহী খরা



অসিদা হন্থরক্লি। হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাস শীজিন্নবগী রেসিও অসি ৮.২:৩.২:১নি। অদুগা তশেংনা খ্বাইদগী ফবা রেসিওদি ৪:২:১নি। অসুম্না খল কায়না হার শীজিন্নবসিনা পাম্বীগী মথৌ তাবা মচিঞ্জাকশিং য়াওবগী চাং হন্থহল্লকই। লোয়ন-লোয়ননা পোত্থোক চাথোকসু হন্থহল্লকই। খল কায়না হার শীজিন্নবগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরগা হার হাপ্লগী হৈনবী লৈতবসিসু অমনি। মরম অসিনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীরগা মথৌ তাবা হার অদু কাঙলোন চুম্না শীজিন্নবীরবদি পোত্থোক চাথোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা লৈবাক লৈহাও থুনা শোকচিল্লকপদগী কনবা ঙমই। অসুম্না লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীরগা মথৌ তাবা হারশিং অদুতা শীজিন্নবীবসিনা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা হারশিং অদুগী চপ চাবা কান্নবা অদুসু লৌবদা মতেং পাংই। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্তুনা অখঙ-অহৈশিংনা পীবা পাউতাক্কী মতুং ইন্না লৌউ কাঙলোনশিং পায়খৎপনা খূৎশেমগী হার খক শীজিন্নবতা নত্তনা বাইওফর্টিলাইজর হায়বদি নুংশিত্তা য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ফাদুনা পাম্বীদা পীবা ঙম্বা অমদি লৈবাক্তদি য়াওজবা পাম্বীনা লৌদুনা শীজিন্নবা ঙমদনা লৈবা মচিঞ্জাকশিং পাম্বীনা লৌবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোকপা ঙম্নবা অহিংবা জিবশিংবুসু শীজিন্নবগী হৈনবী লৈহল্লকই, পাম্বী অমদি শা-ষণগী ফত্ত-হাওদিদগী শেম্বা হার, তিন্থ্রোক য়োক্তুনা মদুদগী পুথোরকপা হার শীজিন্নবগী চাং হেনগৎহন্দুনা লৈবাক লৈহাও হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ন-লোয়ননা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা হারশিং অদুনা পাম্বীদা পীবা কান্নবা হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং পাংই।

লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌদনা ঐখোয়না হার শীজিন্নবগী পাম্বীনা তশেংনা মথৌ তারিবা চাং অদুগা চান্নবা ফংহনবা ঙমদে অমদি চাং খরা হন্থনা মথৌ তাবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অমদি য়াম্না পিকপা চাংদা মথৌ তাবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং লৌমীনা শীজিন্নবগী চাং য়াম্না নেমই। ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুট্রেন্ট মেনেজমেন্ট হায়না খঙনবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীনবগীদমক, পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইবা য়াবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা খূৎশেমগী হার, অহিংবা জিবশিংনা শেম্বা হার, পাম্বীশিংগী অমদি শা-ষণগী ফত্ত-হাওদিদগী শেম্বা হারশিং লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতুংদা মথৌ তাবগী মতুং ইন্না শীজিন্নবীরবদি লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবগা লোয়ননা পোত্থোক চাথোক হেনগৎহনবদসু মতেং পাংই।

মীওইবগী হকচাং অপূনবগী চাদা ৪ হায়বদি কিলোগ্রাম ৭৫ লূম্বা মী অমগী মশাদা মিনরেল কিলোগ্রাম ৩ য়াওই। অসুম্না মীওইবনা মথৌ তারিবা মিনরেল অয়াম্বা ঐখোয়না পাম্বীশিংগী মতেংনা লৈবাক্তগী ফংই। করিগুম্বা মীওইবনা মথৌ তারিবা মিনরেলশিং অসি ঐখোয়গী লৈবাক্তা চাং নেম্না য়াওরবদি, পাম্বীনা মিনরেলশিং অসি লৌখৎপগী চাং নেম্বনা মরম ওইরগা পোত্থোক চাথোক হন্থহনবতা নত্তনা পাম্বীদা মিনরেলশিং অসি য়াওবগী চাংসু নেমগনি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় মীওইবদা মিনরেলশিং অসি ৱাৎপগী তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া অমা নাহল্লকপা য়াই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মরম ময়াম অসিনা মরম ওইরে হায়রগা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীদুনা পোত্থোক চাথোক হেন্না পুথোকপা লৌমী অমা ওইনবা, ইশাগী লৌফম লিশাংশিৎনা মশা-মউ ফনা থম্নবা, লৌ উবদা শেল হন্থনা চংহন্দুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা লৌমী অমা ওইনবা অমদি ঐখোয়না পুথোক্লিবা পোৎলমশিং অদুদা ঐখোয় মীওইবনা মথৌ তারিবা তোঙান তোঙানবা মিনরেলশিংগী চাং ৱাংনা য়াওহন্দুনা মশা মউ ফবা লৌমী অমা ওইবগা লোয়ননা মশা মউ ফবা মীওইশিংনা লৈবা লৈবাক অমা ওইবদা অদোম অদোমসু শরুক য়াবীয়ু।



# পি এম কিষান : শেন্থোক হেনগৎহন্দুনা খুদোংথীবা হন্থহনবা

সুরভি জেন অমসুং ডো. কে ভি সুব্রামনিয়ান

*নোংচিংগী* ফীভম অমসুং কৈথেলগী মমলদা তম্বা ঙমদবা ফীভম কয়া লৈবদগী লৌমীশিংদা লৌউ-শিংউবা অসি তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরে। হায়রিবা ফীভমশিং অসি ঙাকথোক্লবা পি এম কিষান স্কিম অসি পায়খৎলকপনি।

লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহনবা অমসুং লৈবাক অসিগী চাবা ওক্লবা চিঞ্জাক পুথোক্লবা ইন্দিয়াগী ওইবা ফার্ম সেক্টর অসি মীৎয়েং থমদুনা লাক্লি। পোত্থোক হেনগৎলবদি লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎলি হায়না থাজনদুনা লাক্লি। অদুবু গ্রীন রিভোলুসনগী মতমদগী পোত্থোক অসি শরুক মরি হেনগৎলে। অদুবু নিতি অয়োগকী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৌমীগী ইমুং শরুক মঙা থোকপগী শরুক অমা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরি। মসিগী থোং মান্নদবশিং অসি রাজ্যশিংদা য়াম্না লৈরি।

লৌউ-শিংউবগী শেন্থোক ৱাৎলিবা অসি য়েংশিন্নবা চহী মঙাগী ওইনা হায়বদি কুমজা ২০২২-২৩গী দবলস ফার্মরস ইনকম (দি এফ আই) গী কম্মিটি অমা শেম্লে। লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎনবা বজেট ২০১৯-২০দা পি এম কিষান স্কিম লাউথোক্লে। স্কিম অসিনা অপিকপা অমসুং লায়রবা লৌমীশিংদা চহী অমা লুপা ৬০০০ পীনবা পান্দম থল্লি। শেনফমশিং অসি লৌমীশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হকথেংননা হাপচিনগনি অমসুং লুপা ২০০০ অসি অহুম্লক থোক্লা পীগনি। মসিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্দুনা লৌমীশিংনা থেংনরিবা তম্বা ঙমদবা ফীভমশিং হন্থহনবা ঙমগনি।

লম হেক্তর অনীগী মখাদা লৈবা লায়রবা লৌমীশিংগী চহীগী ইনকম অসি দি এফ আই কম্মিটিনা পাবদা হৌজিক্কী মমল অসিদা কুমজা ২০১৫-১৬তা লুপা ২৯,১৩২ ওইখি। চিঞ্জাক্কী মমল হেনগৎলকপা অসি য়েংলগা, ঐখোয়না লায়রবা লৌমীশিংগী চহীগী ইনকম অসি লুপা ৩০,৯০০দা পারে। চহীগী ইনকমদা লুপা ৬০০০ হাপচিনবা অসিনা মখোয়গী ইনকমদা চাদা লুপা ২০ হেনগৎলে। হায়রিবা ইনকম অসি য়ৌদনা হিংলিবা লৌমী কয়া



লৈরি অমসুং হায়রিবা ইনকম অসিদগী হেন্না লাকপা লৌমীশিং লৈরি। লৌমীশিংদা চহী অমদা লুপা ৬০০০ মতেং পাংবা অসিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক অসি চাদা ২০ হেনগৎকনি ।

স্কিম অসিগী মখাদা শোয়দনা শেন্থং ফংলগদবা লৈবদগী লৌমীশিংনা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং হন্থরগনি। নোং-চিংগী ফীভম তম্বা ঙমদবা অমসুং কৈথেলদা মমলগী অকা-অকুম লৈবদগী লৌমীশিংনা খুদোংথীবা মায়োক্লরি। ইন্দিয়ান স্কুল ওফ বিজিনেসতা প্রোফেসর অশ্বনি চাত্রে অমসুং মহাক্কী কো-ওথোরিটিশিংনা থিজিনবদা লৌউ-শিংউবগী পোত্থোকশিং মমল অসি শরুক ২দগী ৪০ ফাওবা হোংদোক হোংজিন লৈ। মসিগী মমল হোংদোক হোংজিন লৈবা অসি ফৌ, গেহু, খামেন অশিনবা, কোবি অমসুং তিলহৌদা য়াম্না নেম্না লৈখি। অদুগা কোবীফুল অমসুং কেপসিকমদা ৱাংনা লৈ।

ঐখোয়না পোত্থোক পুথোকপগী অনেম-অৱাংগী খন্দ্রবসু লৌমী অমগী শেন্থোক্তা অকা-অকুম লৈরকপা অসি মখোয়না পুথোকপা পোৎলমশিংগী মমল অকা-অকুম লৈরকপদগী ওইরকপনি। থা ৩-৪ ফৌ নৎত্রগা গেহু থারিবা লৌমীশিংগী মরক্তা শরুক অহুমগী মনুংদা শরুক অমা শেন্থোক লুপা ২০০০ তানা ফংলি। অসুম্না থা ৩-৪গী থা ১গী পি এ-কিষাননা লুপা ২০০০ পীরবদি থা ৪গী মতমদা মহাক্কী ইনকম শরুক অনী হেনগৎপা ঙমগনি।

অতোপ্পা মহৈ-মরোং থাবা লৌমীশিংদনা হেন্না তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা লৈ। মরম অসিনা, ফৌ নৎত্রগা গেহু থাবা লৌমীশিংদগী হেন্না লুপা ২০০০ ফংদুনা তম্বা ঙমদবা ফীভম অসি খরা শাফরে। অপিকপা অমসুং লায়রবা লৌমীশিংনা চাদা ৮৬.২ ওইরি অমসুং লায়রবা লৌমী অয়াম্বনা পি এম-কিষানগী কান্নবা ফংলগনি। মসিগী অফবা মহয় অমা ওইনা, লৌমীশিংদা শুকশোয় শোয়দনা শেল ফংলগদবা লৈবনা মাইক্রো ফাইনান্স ইন্সটিট্যুটশিং অমসুং সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদগী লৌমীশিংনা লায়না লোন লৌবা ফংলগনি। হন্দক আর বি আইনা অপিকপা অমসুং লায়রবা লৌমীশিংনা কোলেটরেল য়াওদনা লুপা লাক্ষ ১দগী লুপা লাক্ষ ১.৬ ফাওবা লোন লৌবা য়াহনখ্রে।

লোন কোকপা অসি লৌমীশিংদা মতম খরগী ওইনা কান্নবা পীবনি অমসুং কুমজা ২০১৫-১৬কী এগ্রিকলচরেল সেন্সসকী মতুং ইন্না লায়রবা লৌমীশিংগী চাদা ৫০ নন-ইন্সটিট্যুসনেল সোর্সশিংগী লোন লৌখি। লোন কোকথোকপা অসিনা লোন শিংবা ঙম্বা লৌমীশিং মখোয়গী লোন শিংনীংহন্দে। মসিনা ক্রেদিদ মার্কেটতা অচৌবা অকায়বা কয়া থোকহল্লি অমসুং বেঙ্কশিংগী এন পি এ হেনগৎহল্লি।

অসুম্না, পি এম কিষান স্কিমগী মখাদা অপিকপা অমসুং লায়রবা লৌমীশিংদা অখন্নবা পান্দম থমদুনা মীওই ক্রোর ১২৫গী চিঞ্জাক পীনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লৌমীশিং শৌগৎলি।

*(অইবা সুরভি জেন অসি দিরেক্টর অমনি অমসুং ডোক্তর কে ভি সুব্রামনিয়ননা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী চীফ ইকনোমিক এদভাইজরনি।)*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*